# মীওইবগী হক ঙ ক্ক থ ক্কব থবক ত ববশংগী
# মবমদ ইয়ু.এন.গী ফী বপ ব ক্ল

ম লমগী ওইন শক খঙলব মীওইবগী হকশং
অমসুং ফংফম থ ক্কপ নীংত শংবু য ক্কখৎপ
অম দ ঙ ক্ক থ ক্কবগীদমক খুন্নইগী মীওইশং,
ক ংবুশং অম দ কয ংশংদ লগদব হক অম দ
থ দ ং খঙহনব ফী বপ ব ক্ল।

ডিসেম্বর ৯, ১৯৯৮ কি ইয়ু.এন. জেনরেল এসেম্লী রেপ ৫৩/১৪৪ না য়ানখ্রবা

নমথোকপা ঃফোরম এসিয়া / Meitei

নমথোকপা ঃফোরম এসিয়া / Meitei

Printed by FORUM-ASIA Translated by NEN

ডিসেম্বর ৯, ১৯৯৮ কি ইয়ু.এন. জেনরেল এসেম্লী  ারেপ ৫৩/১৪৪ না য়ানখ্রবা

ডিসেম্বর ৯, ১৯৯৮ কি ইয়ু.এন. জেনরেল এসেম্লী  ারেপ ৫৩/১৪৪ না য়ানখ্রবা মালেমগী ওইনা শক খঙলবা মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নীংতম্বশিংবু য়োকখৎপা অমদি ঙাকথোক্লবগীদমক খুন্নাইগী মীওইশিং, কাংবুশিং অমদি কয়াৎশিংদা লৈগদবা হক অমদি থৌদাং খঙহনবা ফীরেপ  ারোল।

মীওইবগী হক ঙাকথোক্লবা থবক তৌরিবশিংগী মরমদা ইয়ু.এন.গী ফীরেপ  ারোল

নমথোকপা ঃফোরম এসিয়া / Meitei

ISBN:

Cop right _ 2010

Cover/La out:
**skinner+kluke**

Translated b :
**North East Network (NEN)**
J N Borooah Lane
Jorpukhuri, Gu ahati 781001
Assam, India

.northeastnet ork.org

Printed b :
**Asian Forum for Human Rights and Development (FORUM-ASIA)**
12th Floor, Room 12-01
Times Square Building
246 Sukhumvit Road
Khlong Toei, Khlong Toei
Bangkok, 10110
ailand

.forum-asia.org

is book as ritten for the bene t of human rights defenders and ma be quoted from or copied so long as the source and authors are ackno ledged.

e Asian Forum for Human Rights and Development (FORUM-ASIA) and the North East Net ork (NEN) ishes to ackno ledge the generous support and contribution of the follo ing individual in the publication of this translation: **Ms. Ahanthem Anita Devi**

FORUM-ASIA and NEN also ish to ackno ledge the generous support and contribution of the follo ing organisation:

**Human Rights Initiative (HRI)**
Integration House, angapat Mapan
Palace Compound, Imphal 795001
India

.hrimanipur.org

ডিসেম্বর ৯, ১৯৯৮ কি ইয়ু.এন. জেনরেল এসেম্লী  ারেপ ৫৩/১৪৪ না য়ানখ্রবা

মালেমগী ওইনা শক খঙলবা মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নীংতম্বশিংবু য়োকখৎপা অমদি ঙাকথোক্লবগীদমক খুন্নাইগী মীওইশিং, কাংবুশিং অমদি কয়াৎশিংদা লৈগদবা হক অমদি থৌদাং খঙহনবা ফীরেপ  ারোল।

জেনরেল এসেম্লী অসিনা,

মালেমগী লৈপাক পুন্নমক্তা লৈরিবা মীওই পুন্নমক্কি মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নীংতম্বশিং য়োকখৎনবা অমদি ঙাকথোক্লবা শেমখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকি চৎনলোন (চার্টর)গী মরম অমসুং  ায়েলশিং ঙাক্লা চৎনবগী মরুওইবদু অমুক চেৎশিনহন্দুনা,

মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নীংতম্বশিং অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকি মনুং চন্না অমদি রিজনগী ওইবা থাক্তা য়ানদুনা লেপনখ্রবা মীওইবগী হক্কি ইন্সত্রুমেন্টশিংগী মরুওইবদু মালেমগী ওইনা ইকাই খুন্নবা অমদি ঙাক্লা চৎনবগী ফিভম য়োকখৎনবগী মরুওইবা মচাক ওইনা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস অমদি ইন্টর্নেস্নেল কোভেনেন্টস ওন হ্যুমেন রাইটসকি মরুওইবদুসু অমুক হন্না চেৎশিনহন্দুনা,

মালেম খুন্নাইগী মেম্বর পুন্নমক্লা, পুন্না নত্রগা তোকখাইনা, জাৎ, কুচু, নুপা-নুপী,

লোন, লাইনিং- লাইশোন, লৈশেল্লোন নত্রগা অতৈ  াখল-মীৎয়েং, ফুরুপ নত্রগা খুন্নাইগী হৌরকফম, লন-থুম, পোকপা নত্রগা অতৈ ফিভম্নচিংবগী খেন্নবা অমত্তা থিদনা মীওইবগী হক অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং থমোই শেংনা য়োকখৎপা অমসুং থৌগৎপগী লৌফম থোকপা থৌদাং অদু পাংথোক্কদবনি হায়বসি কন্না থম দুনা, অমদি চৎনলোনগী মতুংইন্না হায়রিবা থৌদাং অসি পাংথোকপদা মালেমগী লৈপাকশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা মতেং পাংনবগী অকক্লবা মরুওইবদু অমুকসু হন্না চেৎসিন চেৎশিনহন্দুনা,

লনাই মীওইশিং, কাংবুশিং অমদি লুপ (এসোসিএসন) শিংনা ফুরুপশিং অমদি লনাই মীওইশিংগী মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বাশিং খোঙ্গাওনবা পুন্নমক, মসিদা জাৎ-কুচু খাইবা থৌশিল, জাতি অমবু মীচং মীখাই নাইনবা মওংদা নমথবগী থৌশিল, লোইলম লৈঙাক্লোন, লৈপাক অমনা অতোপ্পা লৈপাক অমবু নমথবা নত্রগা খুদুম চন্দুনা থম্বা, ফুরুপকি সোভরেন্তি, ফুরুপকি অপুনবা শক্তম নত্রগা ঙমখৈগী অপুনবা শক্তম ঙাক্তক্লনা, করিসু থওইদনা নত্রগা থৌশিল অমা ওইনা খোঙ্গাওনবা অমদি ফুরুপশিংগী মশাগী লাইবক মশানা লেপচবগী হক অমসুং ফুরুপ খুদিংমক্তা মখোইগী লন-থুম অমদি মহৌশাগী লৈজরকপা পোৎলমশিংগী মপু ওইনা মদু শিজিন্নবগী রাইট খোঙ্গাওনবা অমত্তা লৈহন্দনবা হোৎনবদা লনাই মীওই শিং, কাংবুশিং অমদি লুপশিংগী মমল য়াল্লবা থবকশিং অমদি মালেমগী লৈপাকশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা মতেং পাংনবগী মরুওইবা থৌদাং লৈ হায়বসি য়ানিংবগা লোয়ননা,

ইন্তর্নেস্নেল পীছ অমসুং সেক্যুরিটিগা মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বসিং ফংহনবগা লৈনবা মরি অসি মশক খঙবগা লোয়ননা, অমদি ইন্টর্নেস্নেল পিছ অমসুং সেক্যুরিটি লৈতবনা মরম ওইদুনা মসি ইন্দবদি ঙাকপিবা য়াদে হায়বসিসু খঙনা,

মীওইবগী হক অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বা পুন্নমক মফম মতম পুম্বদা চৎনগদবা, মচেৎ ওইনা থুগাইবা য়াদবা, অমগা অমগা মখা পোন্নবা অমসুং অম গা-অমগা মরি লৈনবা অমসুং মসি মরম চুন্না অমদি মান্নবা মওংদা, হক অম সুং নিংতম্বা খুদিংমক ফংহনবদা অরানবা অমত্তা তৌদনা, য়োকখৎকদবনি অমদি চৎনহনগদবনি হায়বসি অমুক্কা হন্না খঙহনবগা লোয়ননা,

মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বসিং য়োকখৎপা অমসুং ঙাকথোকপগী মরুওইবা থৌদাং অমসুং মথৌদি ষ্টেকিনি হায়বসি কন্না থমদুনা,

লৈপাককি অমসুং মালেমগী থাক্তা লনাই মীওইশিং, কাংবুশিং অমদি লুপশিংগী মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং য়োকখৎপা অমসুং মদুগী ম রমদা লৌশিং শান্দোকপগী হক অমসুং থৌদাং অসি মশক খঙদুনা,

লাওথোক্লি ঃ

আর্টিকল ১

লৈপাক্কি অমসুং মালেমগী থাক্তা মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং য়োকখৎনবা অসুং ঙাকথোক্নবা অমদি ফংহন্নবা লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, মীপুম খুদিংমক্কি হক লৈ।

আর্টিকল ২

১। অতৈ হীরমশিংগা লোয়ননা, খুন্নাইগী, শেন্মিৎকি, লৈশেল্লোনগী অমসুং অতৈ লমশিংদা মথৌ তারকপা ফিভম পুন্নমক শেন্নবা, লোয়ননা ষ্টেট অদুগী মনুংদা লৈবা মীওই পুন্নমক, লনাই ওইনা অমদি অতৈগা লোয়ননা, হায়রিবা হকশিং অমসুং

নিংতম্বশিং অদু তশেংনা ফংহন্নবা মথৌ তাবা আইনশিং শেম্দুনা মীওইবগী হক অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বা পুন্নমক য়োকখৎপা, ফংহনবা অমসুং থবক্তা ওন্থোকপগী মরুওইবা থৌদাং অমা ষ্টেট খুদিংমক্তা লৈ।

২। ফিরেপ  ারোল অসিদা পল্লিবা হকশিং অমদি নিংতম্বশিং অসি তশেংনা ফংহন্নবা আইন শেম্বগী, লৈঙাক  ায়েলগী অমদি অতৈ মথৌ তাবা খোংথাংশিং ষ্টেট খুদিংমক্না লৌখৎকনি।

আর্টিকল ৩

মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিংগী লমদা ষ্টেটনা ঙাক্কদবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকি চৎনলোন অমদি মালেমগী ওইনা অতৈ তৌফম থোকপশিং অদুগী মতুংইন্না শেম্বা লৈপাক মনুংগী আইন্না মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং থবক্তা ওন্থোকপা অমসুং ফংহনবগী আইনগী ওইবা কয়াৎ ওইগনি অমসুং হায়রিবা হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং অসি য়োকখৎনবা, ঙাকথোক্লবা অমদি তশেংনা থবক্তা ওন্থোক্লবা ফীরেপ-  ারোল অসিদা পল্লিবা থবক থৌরম পুন্নমক আইনগী কয়াৎ অসিগী মনুংদা চৎথগনি।

আর্টিকল ৪

ফিরেপ  ারোল অসিদা য়াওরিবা  ারম অমত্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সকি চৎনলোনগী মরমশিং অমসুং  ায়েলশিং কায়হনবা অমদি ওন্ন-তৈনবা  াহন্থোক পিবা নত্রগা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস, ইন্টর্নেস্নেল কোভেনেন্টস ওন হ্যুমে ন রাইটস অমদি হীরম অসিদা চৎনবা য়াবা ইন্টর্নেস্নেল ইন্সত্রুমেন্টশিংগী মঙম চপশিনহনবা নত্রগা মশক থিহনবা অমত্তা লৈহল্লোই।

আর্টিকল ৫

মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং লৈপাককি অমদি মালেমগী ওইবা থাক্তা য়োকখৎনবা অমদি ঙাকথোক্লবা মখাগী হকশিং অসি, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, মীপুম খুদিংমক্তা লৈ।

ক) ইংনা উনবা নত্রগা পুনবা;

খ) নন-গোভর্নমেন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিং, এসোসিএসনশিং নত্রগা গ্রুপশিং শেম বা, মসিদা মী চনবা অমদি মসিগী থবক্তা শরুক য়াবা;

গ) নন-গোভর্নমেন্টেল নত্রগা ইন্টর গোভর্নমেন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিংগা ঈ-পাও চৎনবা।

আর্টিকল ৬

মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমদি অতৈগা লোয়ননা, মখাগী হকশিং অসি লৈ ঃ

ক) মীওইবগী হক অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বা পুন্নমক্কি মরমদা ঈ-পাউ খঙবা, হংবা, লৌবা, ফংবা অমদি থম্বা, অদুগা হায়রিবা হকশিং অমসুং নিংতম্বশিং অদু লৈপাক অদুগী আইন শেম্বা,  ায়েল-চৈরাপ চত্থবা নত্রগা লৈঙাক চৎথবগী থবক্তা করন্না চৎনহনবগে হায়বদুসু য়াওনা খঙবা;

খ) মীওইবগী হকশিং অমদি অতৈ পানশিনবা য়াবা ইন্টর্নেস্নেল ইন্সত্রুমেন্টশিংদা পিবা মতুংইন্না মীওইবগী হক অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বা পুন্নমক্কি মরমদা  াখল মীৎয়েং, ঈ-পাউ অমদি লৌশিং ফোংদোকপা, খঙহনবা নত্রগা অতৈদা ম দু শান্দোকপা;

গ) মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং, আইনগী ওইনসু থবক ওইনসু, ঙাক্লা থবক চৎথবগী মরমদা নৈনবা, খন্নবা,  াখল-মীৎয়েং পুথোকপা অম সুং থম্বা, অমসুং মরম চাবা পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা হীরমশিং অসিদা মীয়ামগী মে াৎ চিংশিনবা।

আর্টিকল ৭

মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, অনৌবা মীওইবগী হকশিংগী  াখলশিং অমসুং  ায়েলশিং শেমগৎপা অমদি খন্নবা অমসুং মসিবু য়াহন্নবা শান্দোকপা।

আর্টিকল ৮

১। মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, মহাক্কি লৈপাককি লৈঙাক  ায়েল অমসুং

মীয়ামগী থবক-থৌরম চত্থবদা, মীচং মীখায় নাইদবা মফমদা চপ চানা য়াওবগী হক লৈ।

২। মসিদা, মীয়ামগী থবক থৌরমগী মরি লৈনবা লৈঙাক্কি শঙলুপশিং অমদি এজেঙ্কিশিং অমদি লুপসিংগী অরান-অশোই পুথোকপা অমসুং মখোইগী থবক তৌবগী মওং ফগৎনবা  াফম হৌদোকপা অমদি মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বসিং য়োকখৎপদা, ঙাকথোকপদা অমদি ফংহনবদা অপনবা পিবা য়াবা মখোইগী থবকশিংদা পুক্লিং চিংশিনবগী হকসু য়াওই।

আর্টিকল ৯

১। মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বশিংগী মতুংইন্না থবক চত্থবদা, ফিরেপ- ারোল অসিদা পল্লিবা মীওইবগী হকশিং য়োকখৎপা অমসুং ঙাকথোকপগী াফম অসি য়াওনা, মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়নননা, হায়রিবা হকশিং অসি খোঙ্গাওনবিবা ফিভম থোরকপদা ঙাকথোকপিবগী অমদি মদু কোকহন্নবা লৌখৎপা মতিক চাবা থৌরাংগী কান্নবা ফংহনবগী হক লৈ।

২। মথক্কি অসি ফংহন্নবা, হকশিং অমদি নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনবিরবা খুদিংমক, মশামক্না নত্রগা আইনগী মতুংইন্না পিখৎপা াকৎ-চেরোলগী খুত্থাংদা, াকৎপা অমদি াকৎ অদু অথুবা মতমদা য়েংশিনবগী থবক চত্থনবা নিংতম্বা, মীচং-মীখাই নাইদবা অমদি অঙম্বা জুদিসিএল অমগী নত্রগা আইনগী মতুংইন্না শেম্বা ওঠোরিটি অতৈগী মাংদা ফোংনা াকৎ তাবা, অদুগা মীওই অদুগী হকশিং অমদি নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনবগী কেস লৈরবদি অসিগুম্বা ওঠোরিটি অদুদগী ারেপ অমা লৌহন্দুনা, আইনগী মতুংইন্না চৈথেং কোকহনবা, পীফম থোকপা কম্পেনজেসন পিহনবগী হক লৈ।

৩। হায়রিবসিমক ফংহন্নবা, মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লে ায়ননা, মখাগী হকশিং অসিসু লৈ ঃ

ক) সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিং অমসুং বোডিশিংনা মীওইবগী হকশিং অম সুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনবগী মতাংদা লৈপাক মনুংগী মতিক চাবা জুদিসিএল, এদমিনিষ্ট্রেটিভ নত্রগা লেজিস্লেটিব ওঠোরিটিশিং নত্রগা ষ্টেট অদুগী লীগেল সিষ্টেমনা অয়াবা পিবা ওঠোরিটি অমদা হেক্তা াকৎপা, অদুগা াকৎ অদুগী মতাংদা মরম চাদনা থিন্থবা তৌদনা ারেপ অমা পিগদবনি;

খ) লৈপাক্কি লো অমদি মালেমগী ওইনা ঙাক্লা চৎনগদবা কাংলোনশিং অমদি তৌগনি হায়না য়ানখিবশিংগী মতুংইন্না চত্থব্রা হায়বগী মতাংদা মোৎ পিবা ঙম্নবা ফোংনা তাবা  াকৎ অমদি  ায়েল চত্থবা তাবা;

গ) মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং ঙাকথোক্লবা কেস চত্থবদা হীরম অসিদা মতিক চানা খঙলবা লিগেল মতেং নত্রগা অতৈ মরি লৈনবা পাওতাক অমসুং মতেং পীগে হায়বা অমদি পীবা।

৪। মথক্কি অসি ফংনবা, পানশিনবা য়াবা ইন্টর্নেস্নেল ইন্সত্রুমেন্ট অমদি প্রোসিদ্যোরগা চাননা মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, জেনরেল নত্রগা অখন্ননা মতিক চাবা মালেমগী বোডীশিংদা অপনবা পিদনা চংবা, মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিংগী মরমদা ঈ-পাউ ফংবা অমসুং খন্নবা।

৫। ষ্টেট অমগী মনুংদা লৈবা মফম অমদা মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনখ্রে হায়গী থাজনিংঙাই ওইবা মরম চাবা লৈরবদি ষ্টেট অদুনা খোংলৈ থুবা অমসুং মীচং মীখাই নাইদবা থিজিনবা অমা চত্থগনি নত্রগা থিজিনবা অমা শোয়দনা চত্থহন্নবা য়েংশিনগনি।

আর্টিকল ১০

কনাগুম্বা অমত্তনা, থবক্লা নত্রগা মথৌ তাবা মতমদা থবক তৌবা ঙমদবদগী, মীওইবগী হকশিং অমদি ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনবদা য়ারোই অম সুং মসি তৌ হায়বা য়াদবগীদমক কনা অমত্তদা চৈরাক পিবা নত্রগা অকনবা থবক লৌখৎপা তৌরোই।

আর্টিকল **১১**

মীপুম খুদিংমক্তা লোনা য়াবা মহাক্কি শিনফম নত্রগা থবক তৌজবগী রাইট লৈ। মীপুম খুদিংমক, মহাক্কি থবক/শিনফন্না মরম ওইদুনা, অতোম্পগী হ্যুমেন ডিগ্নিটি, মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম তোকপা নীংতম্বশিং শোকহনবা য়াবা লৈরবদি হায়রিবা হকশিং অমসুং নিংতম্বশিং অসি ইকাই খুন্নগদবনি অমদি শিনফম অম সুং থবক চত্থবদা ঙাক্কদবা লৈপাক্কি অমসুং মালেমগী ওইনা চৎনরিবা মরি লৈনবা পাদম অদু ঙাক্কদবনি।

আর্টিকল **১২**

১। মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনবগী মায়োক্তা চত্থবা ইং-তম্পা থবকশিংদা য়াওবগী রাইট লৈ।

২। ফীরেপ  ারোল অসিদা পল্লিবা হকশিং অসি লোনা য়াবা মতুংইন্না শিজিন্নবগী মায়োক্তা চত্থবা ভাইওলেন্স, কিহনবা, খুৎ হনবা, দিফেক্তো নত্রগা দি জুরে ওইবা শাথিনা মীচং মীখাই নাইবা থবক, প্রেসর নত্রগা লো-না য়াদবা থবক চত্থরকপগী মায়োক্তা মীপুম খুদিংমকপু, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, মতিক চাবা ওঠোরিটিশিংনা ঙাকথোক্লবা ষ্টেট অদুনা মথৌ তাবা থৌরাং পুন্নমক লৌখৎকনি।

৩। মসিগা মরি লৈননা, মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং খোঙ্গাওনবগী ফীভম থোরকহনবা থবকশিং, ষ্টেটনা চত্থবা অশোইবসিং য়াওনা, মসিগী মায়োক্তা  ারোল পীবা নত্রগা মদুগী মায়োক্তা লেম্পা মতমদা লৈপাক অদুগী লোনা মতিক চানা ঙাকথোকপিবগী খুদোং চাবা ফংগনি।

আর্টিকল ১৩

মীপুম খুদিংমক্তা, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা, ফীরেপ  ারোল অসিগী আর্টিকল ৩ গী মতুংইন্না, মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং য়োকখৎনবা অমসুং ঙাকথোক্লবা ফোংদোক্লবা মরমগীদমক ইং তম্পা পাম্বে শিজিন্নদুনা রিছোর্স পিবিনবা হায়জবা, মদু ফংবা অমসুং শিজিন্নবগী হক লৈ।

আর্টিকল ১৪

১। ষ্টেট অমগী মনুংদা লৈবা মীওই পুন্নমক্তা মখোয়গী সিভীল, পোলিটিকেল, ইকোনোমিক, সোসিএল অমসুং কলচরেল রাইটশিং খঙহন্নবা লেজিস্লেটিব, জুদিসিয়েল, এদমিনিষ্ট্রেটিভ নত্রগা অতৈ চানবা থৌরাং লৌখৎপগী থৌদাং ষ্টেট অদুগী ওইগনি।

২। হায়রিবা থৌরাংশিং অসিদা, অতৈগা লোয়ননা, য়াওগদবশিংদি ঃ

ক) লৈপাককি আইন অমসুং রিগুরেসনশিং অমদি চৎনবা য়াবা মরুওইবা ইন্টর্নেস্নেল হ্যমেন রাইটস ইন্সত্রুমেন্টশিং লাইরিক ওইনা ফোংদোকপা অমসুং পাক শন্না ফংহনবা;

খ) মীওইবগী হকশিংগী লমদা চৎনরিবা ইন্টর্নেস্নেল ডোক্যুমেন্টসিং, ষ্টেট অদুনা সাইন তৌখ্রবা ইন্টর্নেস্নেল হ্যমেন রাইটস ত্রিয়েটিশিংনা শেম্বা বোডীশিংদা ষ্টেট অদুনা পিবা মতম মতমগী ওইবা পাওদমশিং য়াওনা, অদুগা হায়রিবা বোডীশিং অসিনা চথখিবা খন্ননৈনবগী শল্লম্পা অমসুং ওফিসিএল রেকোর্ডশিং মপুং ফানা অমসুং চপ মান্ননা খঙবা ঙমহনবা।

৩। মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং য়োকখৎনবা অমসুং ঙাকথোক্লবা, চানবা ফীভম মতুংইন্না, ষ্টেট অমগী মনুংদা লৈবা মফম পুন্নমক্তা মনিং তম্বা নেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং, মদু ওমবদস্মেন, হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন নত্রগা অতৈ মওংগী নেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং ওইবা য়াই, শেম্বা অমসুং চাওখৎনবা ষ্টেট অদুনা য়েংশিনগনি অমসুং শৌগৎকনি।

আর্টিকল ১৫

মহৈ মশিং তম্বিবগী থাক খুদিংমক্তা মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং য়োকখৎপা অমসুং তাকপি তম্বীহনবা অমদি লোয়ারশিং, লো ইনফোর্সিং ওফিসারশিং, আর্ম ফোর্সেসকি মীওইশিং অমসুং পব্লিক ওফিসিয়েলশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রামদা মীওইবগী হকশিংগী চুনবা মচাকশিং য়াওহন্নবা য়েংশিনবগী থৌদাং ষ্টেট অদুগী ওইগনি।

আর্টিকল ১৬

মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিংগা মরি লৈনবা ােফমশিংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা লনাই মীওইশিং, নন-গোভর্নমেন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিং অমসুং মরি লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিংনা হায়রিবা হীরমশিং অসিদা ইডুকেসন, ে ৎনিং অমসুং রিছার্সকুম্বা থবকশিং চথদুনা লৈপাক অমসুং জাৎ অমসুং লাইনিং লাইসোন খেন্নবা কাংবুশিং, মখোয়না লৈরিবা খুন্নাইশিং অম সুং কম্ম্যুনিটিশিং অদুগী খেন্নবা মওং মতৌশিং অদু াখলদা থন্না লৌগদবা অচৌবা থৌদাং অমা লৈ।

আর্টিকল ১৭

ফিরেপ  ারোল অসিদা পল্লিবা হকশিং অমসুং নিংতম্বসিং অসি শিজিন্নবদা মীপুম খুদিংমক, লনাই ওইনা অমসুং অতৈগা লোয়ননা থবক তৌবা মতমদা, মালেম গী ওইনা ঙাক্লা চৎনগদবা থবক তৌবা মতমদা, মালেমগী ওইনা ঙাক্লা চৎনগদবা কাংলোনশিংনা থম্বা অমসুং অতৈগী হকশিং অমসুং নিংতম্বশিং মশক খঙহন্নবা অমসুং ইকাই খুম্নহন্নবা অমসুং মীয়ামগী লৈঙাক লৈবা খুন্নাই অমদা অচুম অরান, পব্লিক ওর্ডর অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবদা চংবা মরম চাবা মচাকশিং অদু ফংহন্নবখক্কি ওইনা আইন্না লেপ্পা পনখৈশিংদনা অথিংবা পিবা য়াগনি।

আর্টিকল ১৮

১। মীপুম খুদিংমক মহাক্কি কম্যুনিটি মনুংদা অমসুং মসিগীদমক পাংথোক্কদবা থৌদাং লৈ, থৌদাং অসি

পাংথোকপদা মহাক্কি শক্তম নিংতম্না অমসুং মপুং ফানা শেমগৎপা ওইথোকই।

২। ডেমোক্রেসি কনবা, মীওইবগী হকশিং অমসুং ফংফম থোকপা নিংতম্বশিং য়োকখৎপা অমসুং ডেমোক্রেটিক ওইবা খুন্নাইশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং প্রোসেসশিং য়োকখৎপা অমসুং খুমাং চাওশিনহনবদা লনাই মীওইশিং, কাংবুশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং নন-গোভর্নমেন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিংনা তৌগদবা ম রুওইবা থবক অমসুং লৌগদবা থৌদাং অমা লৈ।

৩। য়ুনিভর্সেল ডিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস অমসুং অতৈ হ্যুমেন রাইটস ইন্সত্রুমেন্টশিংদা পিরিবা হকশিং অমসুং নিংতম্বশিং মপুং ফানা ফংহনবা ঙম্বা খুন্নাইলোন অমসুং ইন্টর্নেস্নেল ওর্ডর অমদা হিংবগী হক মীপুম খুদিংমক্কা ফংহন্নবা মরম চানা য়োকখৎপদা লনাই মীওইশিং, কাংবুশিং অমসুং নন-গোভর্নমেন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিংনসু তৌগদবা মরুওইবা থবক অমসুং লৌগদবা থৌদাং অমা লৈ।

আর্টিকল ১৯

ফীরেপ- ারোল অসিগী শরুক অমত্তনা লনাই মীওই, কাংবু নত্রগা খুন্নাইগী কয়াৎ অমনা নত্রগা ষ্টেট অমনা ফীরেপ- ারোল অসিদা পল্লিবা হকশিং অমসুং নিংতম্বশিং অসিবু মাং তাকহন্নবা থবক্তা য়াওবগী নত্রগা মসিগুম্বা থবক তৌবগী হকনি হায়না াহন্থোক পিরোইদবনি।

আর্টিকল ২০

ফীরেপ ারোল অসিগী শরুক অমত্তনা লনাই মীওইশিং, লনাই মীওইসিংগী কাংবুশিং, ইন্সটিট্যুসশিং নত্রগা নন-গোভর্নমেন্টেল ওর্গেনাইজেসনশিংনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকি চৎনলোনদা পিরিবা ারমশিংগী ওন্ন-তৈনবদা থবক তৌবদা ষ্টেটনা শৌগৎপগী অমসুং য়োকখৎপগী অয়াবা পিবনি হায়না াহন্থোক পিরোইদবনি।